**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24-07-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- মীয়াম পুন্না চাওখৎমিন্নদুনা হেন্না ফবা লৈঙাক সাসনগী মহাও পীনবা মহাক্কী সরকারনা হোৎনরি।

২) নুমিৎ ৯ নি চুপা চত্থরকপা কাং চিংবগী থৌরম ঙসি পুরনা যাত্রা-কাংলেন পাঙথোক্কুনা লোইশিল্লে।

৩) থৌনাউজম বসন্তকুমার এম.এল.এনা হায়রি- মণিপুরগী ইরাং অসিদগী রাজনীতিগী খুদোংচাবা লৌননবা হোৎনরিবশিংদগী চেকশিনশি।

৪) মণিপুরগী দি.জি.পি- মুকেশ সিংহনা ঙসি তেংনৌপল জিলাদা চত্তুনা ঙাকশেলগী ফিভম হন্না য়েংশিনখ্রে।

অমসুং

৫) নিট ক্বেসন পেপর লিক্কী মতাংদা ঙসিসু চরাংনবা থোকপদগী সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম চত্থবা য়াদদুনা নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবা য়ৈথোকখ্রে।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংশিং পায়খৎতুনা, পুন্না চাওখৎমিন্নদুনা হেন্না ফবা লৈঙাক সাসনগী মহাও পীনবা হোৎনরি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী শলামদা নৌনা শাবা দিষ্ট্রিক্ট ইন্সটিট্যুট ওফ ইজ্‌কেসন এন্দ ট্রেন্নিং (দাইট)কী বিল্ডিং অমসুং নৌনা শাবা ইমা মার্কেট অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- ঙসি শঙ্গারিবা দাইটকী বিল্ডিং অমদি ইমা মার্কেট অসিনা লমদম অদুগী মীয়ামদা মগুন লৈবা শিক্ষা পীনবা, মীয়ামগী পুন্সি মহিং অমসুং শেল থুমগী ফিভম হেন্না ফগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। প্লান্নিং দিপার্টমেন্টনা ইমা মার্কেট অদু মপুং ফানা শাবা লোইদুনা মীয়ামদা শিন্নবা ঙম্বগীদমকসু মহাকা দিপার্টমেন্ট অদুবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা লমশাং কেন্দ্রগী এম.এল.এ শোরোকখায়বম রাজেন, ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিসনার ময়াংলম্বম রাজকুমার য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।

কাং (এল)ঃ নুমিৎ ৯ নি চুপা চথুরকপা ভগবান জগনাথ, ময়াম্বুং বলভদ্র অমসুং মচন ইবেম্বা সুভদ্রাগী কাং চিংবগী থৌরম ঙসি পুরনা যাত্রা-কাংলেন পাঙথোক্তুনা লোইশিল্লে।

ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা শ্রীশ্রী গোবিন্দজিগী মন্দিরদগী ভগবান জগনাথ, ময়াম্বুং বলভদ্র অমসুং মচন ইবেম্মা সুভদ্রা লেংথোরক্তুনা রথ মথক্তা তোংদুনা পুরনা যাত্রাগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ অমসুং মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবা য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

তুংদা, মুখ্য মন্ত্রিনা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়- ঙসি শ্রীশ্রী গোবিন্দজি মন্দিরদা মহাকা মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবা অমদি মশিং য়াম্লবা ভক্তশিংগা লোয়ননা কাংলেনগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা অদু ঈশ্বরগী থৌজাল ফংবগুমা হরাউ নুংঙাইবা ফাওখি। ভগবান জগনাথ, ময়াম্বুং বলভদ্র অমসুং মচন ইবেম্মা সুভদ্রানা রথ যাত্রা পাঙথোক্লবা মতুংদা ঙসি হল্লকপগী থৌরম মায় পাকা পাঙথোকখিবা অসিনা মণিপুরবু শান্তি লৈবা, অমত্তা ওইবা অমদি চাওখৎপগী মাইকৈদা চংশিনবা ঙম্লগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ। কাংলেন নুমিৎনা লাকপা অসিদা মীপুম খুদিংমক্তা হিংশাগী ৱাখল থাদোক্তুনা শান্তি অমদি

নুংশি চান্নবগী মাইকৈদা পুন্না চৎমিন্নবা ঙন্বা ওইরসনু হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

শগোলবন্দদা লৈবা শ্রীশ্রী বিজয় গোবিন্দ, সঙাইপ্রৌদা লৈবা ইস্কোনগী মণি মন্দির অমদি তম্পাক্কী মফম কয়াদসু ঙসি কাং চিংবগী থৌরমশিং মহৌশাগী চৎনবী অমসুং লাইনিং লাইশোলগী থৌরমগা লোয়ননা পাঙথোকখি।

গোপিনাথকী পুরনা যাত্রা কাং চিংবগী থৌরমসু ঙসি পাঙথোকখ্রে। নুমিদাংগী মতমদা খুবাক ঈশৈ শক্তুনা লাইগী থৌরমশিংসু পাঙথোক্লি। রাধামাধবকী পুরনা যাত্রা কাং চিংবগী থৌরমসু ঙসি পাঙথোকখ্রে।

বসন্তা (এল)ঃ থৌনাউজম বসন্তকুমার এম.এল.এনা হায়রি- মণিপুরগী ইরাং অসিদগী রাজনীতিগী খুদোংচাবা লৌননবা হোৎনরিবশিংদগী চেকশিনশি, সরকারনা শান্তি হঞ্জিল্লকবা হোৎনরিবা অসিদা মীয়ামা মতেং পাংবীয়ু।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ৱাহেং খুমনদা ঙসি নৌনা শাবা ৱাহেং খুমন মমাং রুরেল মার্কেট সেদ অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী বসন্তকুমারনা হায়- অফবা গনতন্ত্রগী লৈঙাক সাসন অমা লৈহন্নবা হোৎনবদা অফবা মীয়ামগী মীহুৎশিং মথৌ তাই। মরম অদুনা মীখলগী মতমদা খৎন-চৈনবা অমদি হুন্নদুনা ঙাংনবগী মহুৎতা মীরেপ ওইরিবশিং অদুনা পাঙথোকখিবা থবক থৌরমশিং, মখোয়গী মীৎয়েং অমদি ৱাখল্লোন অমসং মখোয়না তুংদা তৌরকপা য়াবা থবকশিংগী মরমদা নিংথিনা নৈনদুনা মীয়ামা মীহুৎ খন্নবা হোৎনবীয়ু।

মণিপুর ৱাথোক্কী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী বসন্তকুমারনা হায়- মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়রগা, ৱা ঙাংথোরকপা অমদি তৌথোরকপা থবকশিংদা মণিপুর কায়রকপা য়াবা থৌওংশিং তৌদবা চুমগনি। ৱাথোক অসিদা রাজনীতি দল খরনা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরিবা অসি চুমদে। মীওই খরনা ফত্তবা অমদি অরানবা থবক তৌরগা কাংলুপ ফুরুপ অমবু পুন্না চৈবগী থৌওং অসিসু রাজ্য অসিদা লৈমিন্নরিবা কাংলুপ খুদিংমক্কী মীয়ামা খন্থমিন্নবা মতম ওইরে হায়নসু শ্রী বসন্তকুমারনা মখা তানা ফোংদোকখি।

ত্রেন (এল)ঃ  জন সতাব্দি এক্সপ্রেস পেসেঞ্জর রেলগাড়ি চহি অহুমগী তুংদা ঙসি অমুক হন্না খোংসাং রেলৱে ষ্টেসনদা থুংলরে। এ.সি য়াওবা দাবা অনি য়াওনা পুন্না দাবা তরা য়াওবা পেসেঞ্জর রেলগাড়ি অদুদা ত্রিপুরাগী আগরতালাদগী মীওই ১৫ তোংদুনা লাক্লবা ঙসি নুংথিল পুং ৩ মিনিত ২০ দা মণিপুরগী খোংসাং রেলৱে ষ্টেসনদা থুংলখিবনি। রেলগাড়ি অসি আগরতালাদগী খোংসাং ফাওবগী মরক্তা চয়োল খুদিংগী ইরাই নুমিৎতা চেনগনি। রেলগাড়ি অদু ঙসি নুংথিল পুং ৩ মিনিত ৫৫ দা পেসেঞ্জর ৬০ তোংদুনা খোংসাং রেলৱে ষ্টেসন থাদোকখি।

দিজিপি (এল)ঃ  মণিপুরগী দি.জি.পি- মুকেশ সিংহনা ঙসি তেংনৌপল জিলাদা চত্তুনা ঙাকশেলগী ফিভম হন্না য়েংশিনখ্রে।

রাজ্য পুলিসকী পাউনা হায়- দি.জি.পিনা এ.দি.জি.পি (লো এন্দ ওর্দর) য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ওফিসতা চৎখি। মহাকা মফম অদুদা পায়খৎলিবা ঙাকশেলগী থবক, মখা তানা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং অমসুং অতৈ হিরম কয়াগী মতাংদা য়েংশিনখি। মফম অদুদা মথৌ তৌরিবা ওফিসারশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবদা শ্রী মুকেশনা জাতিগী মায়োক্তা লৈবা মীওইশিংগী মথক্তা মখা তানা ওপরেসন চখনবা, কেসশিংগী মরমদা থিজিন হুমজিনবগী থবক খুমাং চাওশিন্না পায়খৎনবা, ময়াই কাবা নিশা ড্রগ থিংনবা অকনবা থবক লৌখৎনবা, আইন্না য়াদবা খুৎলায়শিং অমসুং নোংমৈ মরুনচিংবা ফাগৎনবা অমদি ঙমখৈ লমদমদা শান্তি লৈহন্নবা অমদি ঙাক শেনবগী থবক হেন্না ফগৎহন্নবা সেক্যুরিতি এজেন্সিশিংগী মরক্তা অমগা অমগা মতেং পাংনবা হেনগৎহন্নবা ৱাফমশিংসু ফোংদোকখি।

দি.জি.পিনা মোরে টাউনদসু চত্তুনা মফম অদুগী সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং অমদি তামিল ফুরুপকী লুচিংবশিংগসু ৱারী শান্নখি। মফম অদুদা মথৌ তৌরিবা মণিপুর পুলিস কম্মান্দোশিং অমসুং অসাম রাইফলসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংগসু উন্নখি। দি.জি.পিনা গেট নম্বর-ৱান অমসুং

টুদসু চত্তুনা য়েংশিনখি। হল্লকপগী খোঙচৎতা দি.জি.পিনা কোথা ভিলেজদা চংদুনা মফম অদুদা খুন্দারিবা খুঞ্জাশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

খুৎলায় (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা শঙাইথেল পার্ক এরিয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙসি থিবা হুম্বগী থবক চখ্তবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

রাজ্য পুলিসকী পাউনা হায়- ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল ৮, রাইফল ৪, হেন্দ গ্রেনেদ ৩, দিটোনেতর ৩, নোংমৈ মরুশিং, বুল্লেটপ্রুফ জেকেট অমদি ৱায়ারলেস সেটনচিংবা য়াওরি।

গাড়ি (এল)ঃ নোং লেপ্তুনা চুবা অমসুং লম্বী ফত্তবনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী নেসনেল হাইৱে-৩৭ তা মাল পুবা গাড়িশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি।

ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা লম্বী পরিং অসিদা চৎলিবা ত্রক দ্রাইভর খরগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবদা মখোয়না থেংনরিবা অৱাবা কয়া ফোংদোরকখি। লম্বীগী মফম কয়াদা চীং নীংখায়বা অমদি লৈখোম লৈনাং চেন্থরকপনচিংবা থোকপগী লম্বী অসি ফাওদুনা জিরিবামদগী নোনে ফাওবা কিলোমিতর ১৫২ রোম অসি লাকবা হোৎনবদা নুমিৎ ৫-৬ নি চংবা ফাও য়াওরি।

মরক অসিদা, নোনেগী দিপ্যুতি কম্মিসনার বিদ্যামারি শ্রীধারনা সভাপতি ওইদুনা এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী ওফিসিয়েলশিংগা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লম্বী পরিং অসি শেমজিন শাজিনবগী মতাংদা খন্নখ্রে।

প্রেস (এল)ঃ দি.আই.পি.আরনা শিন্দুনা চখৎরিবা মিট দ প্রেসকী থৌরমদা ঙসি রুরেল দিভলপমেন্ট পঞ্চায়াতি রাজ দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্তর কে.এস.ঐচ-উমানন্দ অমসুং রুরেল ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টকী চীফ ইঞ্জিনিয়ার কে.ঐচ. তেম্বা য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াদুনা দিপার্টমেন্ট অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা পাউদমখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দিরেক্তর উমানন্দনা হায়- ত্রেনিং ৱার্কসোপ অমসুং সেমিনারনচিংবা পাঙথোক্তুনা পঞ্চায়াতি রাজ ইন্সটিট্যুসনশিংগী থবক থৌরমশিং হেন্না ফগৎহন্নবা কন্না হোৎনরি। ত্রেনিং প্রোগ্রামশিংগী মনুংদা গ্রাম সভা পাঙথোকপা, গ্রাম পঞ্চায়ট দিভলপমেন্ট প্লানশিং শেম শাবা অমসুং পঞ্চায়ট এদভান্সমেন্ট ইন্দেক্সনচিংবা পাঙথোকপা য়াওরি। শেনবা চহি ২০২৫-২৬ তা অসিগুম্বা ত্রেনিং প্রোগ্রাম ৩৫০ পাঙথোকখি। মদুদা পুন্না ত্রেনি লিশিং ১৪,৪৪০ রোম শরুক য়াখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবা হেনগৎহন্নবা অমসুং শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা লমদম অমা ওইহন্নবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সশিং অমদি তোঙান তোঙানবা ক্লব ওর্গনাইজেসন কয়াগা উন্নবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। আই.জি.এ.আর (সাউথ)কী পাউনা হায়- ঙসিসু অসাম রাইফলসনা নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী ও.সি, থৌবালগী এক্স-সার্ভিসমেনশিং, বুংতে চিরু চর্চকী পাষ্টর, পাৎশোই য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লবকী সেক্রেতরি অমসুং তোঙান তোঙানবা মফম কয়াগী খুলগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

সিসিপুর (এল)ঃ চুরাচান্দপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণকুমারনা ঙসি জিলা অসিগী ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিংদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। নোং লেপ্তুনা চুবদগী ঙরাং নুমিদাংৱাইরমদগী জিলা অসিগী মফম খরদা ঈশিং থুমজিনখিবা মফমশিং অদুদা কয়া য়ামা অমাং অতা থোকখ্রবগে হায়বদুসু দিপ্যুতি কম্মিসনারনা য়েংশিনখি। অৱাবা নংলবা খুঞ্জাশিংদা শ্রী কৃষ্ণকুমারনা চেং, হৱাই, আলু, থাউ অমদি তিলহৌনচিংবা চান থকবা পোৎলমশিংসু য়েন্থোকখি।

মনকিবাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৬ শুবা ইপিসোদ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

সংসদ ঃ নিট ক্বেসন পেপর লিক অমসুং মহৈরোইশিংগী খোঙজংগী মতাংদা ঙসিসু চরাংনবা থোকপদগী সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম চথুবা য়াদদুনা নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবা য়েথোকখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্‌না হায়- সংসদকী নোংজ্‌ মীফম হেক হৌবা নুমিৎতগী ঙসি ফাওবা সরকারনা নিট ক্বেসন পেপর লিক ৱাথোক্কী মতাংদা খন্ননবা শেম শাদুনা লৈরি। অদুমওইমক, কংগ্রেসনা অককবা ৱাফম খরা থমদুনা খোঙজং চংশিনখিবদগী ৱাথোক অসিগী মতাংদা খন্নবা ঙমদ্রি। ৱাথোক অসিনা সংসদকী সদস্য পুমমক্কী পুকিংদা চপ মান্নবা নুংঙাইতবশিং ফাওহল্লিবনি। মরম অদুনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা পুমমকা শরুক য়াদুনা খন্ন-নৈনবা হায়বসি অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি।

কেবিনেট ঃ পেপর লিক অমসুং পরিক্ষাদা অরানবা থৌওংশিং চথুবশিংগী মথক্তা হেন্না কনবা দন্দি পীবা ঙমবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা ঙসি ফাষ্ট ট্রেক্ট কোর্ট অমা লিংখৎনবা দ্রাফট বিল অমা অয়াবা পীখ্রে।

পার্লিয়ামেন্ট হাউস কমপ্লেক্সতা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মন্ত্রি মন্দলগী মীফমনা দ্রাফট বিল অদু অয়াবা পীখিবনি।

সরকারগী পাউ পল্লদুনা অকাশবানিগী পাউমীনা হায়- দ্রাফট বিল অসি মথং চয়োলদা সংসদতা পুথোক্লবা য়াই।

## --হৌজিক শান্নবগী পাউ--

কম্মনৱেলথ ঃ  ২৩ শুবা কম্মনৱেলথ গেমস স্কোটলেন্দগী গ্লাসগোদা হৌখ্রে। নুমিৎ তরানি চথুগদবা গেমস অসিদা লৈবাক ৭৪ না শরুক য়ারি।

গেমস অসিদা ৱেথ লিফতিং, সাইক্লিং, জ্যুদো, বোক্সিং অমসুং হ্বিল চেয়ার বাস্কেটবোলদা মণিপুরগী শান্নরোই ১১ না শরুক য়ারি। পুৱারিদা অনৌবা লমায় অমা ওইনা হন্দক্কী গেমস অসিদা মণিপুরগী শান্নরোই ইরেংবম রিতা চনুনা অহানবা পেরা এথলিট ওইরি।

দুরানঃ  ১৩৫ শুবা ইন্দিয়া ওই দুরান কপ হয়েংদগী হৌরগনি। এসিয়াগী খ্বাইদগী লীরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা নুমিৎতা কোলকাতাদা মোহান বগান সুপর জাইন্সকা ইষ্ট বেঙ্গোল এফ.সিগা শান্নগনি।

ইম্ফাল লেগকী অহানবা মেটচ থা অসিগী ২৮ দা হৌগনি। অহানবা মেটচ ওইনা ত্রাউ এফ.সিগা নেরোকা এফ.সিগা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।

ক্রিকেট ঃ  ভারত অমসুং জিম্বাবৱেগী মেটচ অহুম শান্নগদবা টি-ত্বেন্তি ইন্তরনেসনেলগী অহানবা মেটচতা ভারতনা জিম্বাবৱেবু ৱিকেট ৭ তা থোইখ্রে। জিম্বাবৱেনা হান্না বেত্তিং তৌবদা অপিবা ওভর ২০ দা ৱিকেট পুমমক তুরগা রন ১২৫ লৌখি। মদুগী পাউখুম ওইনা ভারতনা ওভর ১৩ বোল ২ দা পান্দম অদু য়ৌবা ঙমখি।

সেরিজ অসিগী অনিসুবা মেটচ হয়েং শান্নগনি।

------